# মফম কয়াদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট, লুপ কয়ানা শীন্দুনা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরম পাঙথোক্লখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচ এন এস):
মালেমগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোক্লখিবগুম মণিপুরদসু ঙসি তোঙান-তোঙানবা লুপ কয়ানা শীন্দুনা মফম কয়াদা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরম পাঙথোক্লখ্রে।

ৱর্ল্ড সোসিয়েল ফোরম মণিপুরনা শীন্দুনা থা অমা চুপ্পা চথুগদবা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরম ঙরাং ইসিখাগী ইকোগ্রিন পার্কতা ফোরম অসিগী প্রসিদেন্ট এল সোতিনকুমারনা হৌদোকখ্রে হায়না ফোরম অসিগী কনভেনরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি, শাবা হেল্লকপনা শেন্মীৎলোন শোকহল্লি, ক্লাইমেট চেঞ্জ থৌশাদবনা কুমজা ২০১৯না খ্বাইদগী শাবা চহী ওইরগনি হায়বা ফোল্ডর অনীসু রিলিস তৌদুনা মীয়ামদা য়েন্থোকখি।

ইকোগ্রিন পার্ক ইসিখাদা হৌরিবা উপালশিং মখোঙ শেন্বগা লোয়ননা অনৌবা উ চারা কয়াসু থাখি। ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থাবুম অমা চথুগদবা মরু ওইবা মফমশিংদি, ১) ইকো গ্রিন পার্ক, ইসিখা, ২) য়ুম্নাম খুনৌগী নমথিরোক্তা উপাল লিশিং মঙা থাবা, ৩) হিষ্টোরিক ওইরবা কৈবী মনাচিংদা ইকো গার্দেন শেমগৎপা, ৪) ফক্নুংগী লাইরোক ময়াদা উ পান্থী লিশিং ২ থাদুনা ইকো পার্ক শেমগৎপা, ৫) ইরাবত ইনভাইরনমেন্টেল পার্ক, শান্তিপুর, শঙ্গেনবমদা খন্ন-নৈনবগী মীফম, ৬) তোপ অৱাং লৈকায় পোং লন্থীগী ইকো ক্লবতা মীফম অমদি অতৈ মফম কয়াদসু পাক শন্না থৌরমশিং পাঙথোক্লনি।

অমরোমদা মালেমগী মফম কয়াদা পাঙথোক্লবগুম ঙরাং ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদসু ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরমশিং পাঙথোক্তুনা উ চারা থানখি।

ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল, ওল ককচিং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা শীন্দুনা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগা মরী লৈননা ককচিং উয়োকচিংদা উ চারাশিং থাখি। থৌরম অদুদা ককচিং এ সিগী এম এল এ ৱাই সুরচন্দ্র, ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চেয়রপার্সন নাওরেম শান্তিকুমার, ভাইস চেয়ারমেন কে এস ঐচ ঝলজিৎ অমদি কাউন্সিল্লরশিংসু শরুক য়াখি।

অদাম ককচিংনসু অঙান চীং, ইকো পার্ক ককচিংগী হেরিটেজ কমপ্লেক্সতা উ চারাশিং থাখি। থৌরম অদুদা নার্কোটিক এফ্যের্স ব্যুরো (নাব)কী ও সি বি সিরক্সে য়াওনা মহৈরোই ১০০ রোম্না শরুক য়াদুনা উ চারা ১৩৫ থাখি।

ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগা মরী লৈননা ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ৭কী মনুংদা লৈবা মফমশিংদা তরু-তনাননা থম্বা পান্দমদা ৱার্দ দিভলপমেন্ট কম্মিতি, ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ৱার্দ নম্বর ৭গী মায়কৈদগীসু দষ্টবিনশিং য়েন্থোকখি।

লমাংদোং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদসু ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দে পাঙথোক্তুনা উ চারা থাখি। ককচিং খুনৌ কোলেজ উমাথেলদসু ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দে পাঙথোকখি হায়রি। মরকসিদা বিষ্ণুপুর ফোরেষ্ট দিভিজননা শীন্দুনা 'বিট এয়র পোল্যুসন' হায়বা থিমদা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরম বিষ্ণুপুর পাব্লিক স্কুলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা দি সি বিষ্ণুপুর পাৱন যাদব, এস দি পি ও বিষ্ণুপুর লক্ষ্মি থিংবাইজম, দি এফ ও বিষ্ণুপুর ডা. রেবিকা সোইবম চনু, ৱাইল্ডলাইফ ৱার্দেন বিষ্ণুপুর আর কে বিরজিৎ সিংহ অমদি রিটয়র্দ সি এম ও অমদি চেয়ারমেন পাব্লিক স্কুল বিষ্ণুপুর ডা. কে ঐচ মোধুমঙ্গোল সিংহনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

দি সি পাৱন যাদবনা থৌরম অসিগা মরী লৈননা লাক্কদৌরিবা চহী কয়াদা মালেমগী অইং অশাগী খলদা অহোংবা চাওনা লাকপা য়ানা লৈরিবা অসিদা ঙাকথোক্লবা অমদি কলহৌনবা হোৎনবা হায়বসি ঐখোয় ঈশা ঈশাগী ইথৌনি খল্লগা ঙসিগী নুমিৎ অসিবু পালন তৌবা ওইনা উ পান্থী অমমম থাদুনা হিংহন্নবা হোৎনসি হায়খি।

অমরোমদা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরম ৪৫ শুবা ওইনা লোক্তাক দিভলপমেন্ট ওথোরিটি অমসুং লোক্তাক লেক দিভলপমেন্ট কো-ওপরেটিব সোসাইটি অনীনা পুন্না খুৎশম্নদুনা সেন্দ্রাদা পাঙথোকখ্রে।

পালন থৌরম অদুদা মণিপুরগী দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা এয়র পোল্যুসন মোনিটরিং মেছিন থমদুনা এয়র পোল্যুসনগী চাং ওনবা হৌরগনি হায়না মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চেয়ারমেনসু ওইরিবা ওইনাম এ সিগী এম এল এ এল রাধাকিশোরনা ফোঙদোকখি।

মহাক্লা মখা তানা লমদম অসিদা লৈরিবা মীওই খুদিংমক্না উপান্থী অমমম থারবা মতমদা অমদি মদু হিংহনবা মতম খক্তদা মালেম অসি কনবা ঙমগনি নত্রবদি লৈঙাক্না পৈশা কয়া থাদদুনা স্কিম কয়া লৌখৎলবসু কনবা ঙম্লোই হায়খি।

থৌরম অদুদা লোক্তাক দিভলপমেন্ট ওথোরিটিগী দাইরেক্টর এল বগতোন, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী উপ-অধ্যশা এ দিনেস অমসুং ঙামী কয়াসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী লমখাইদা লৈবা জিরিঘাট হায়স্কুলদা জোনেল এদুকেসন ওফিস (জেদ ই ও) জিরিবামনা শীন্দুনা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চেয়ারপার্সন এস সান্তি দেবী, জোনেল এদুকেসন ওফিসার জিরিবাম এল রোসন মৈতৈ, জিরিঘাট হায় স্কুলগী হেদ মাষ্টর এ দেম্বজিৎ সিংহ, এ আই ওফ স্কুলনা মথং শীৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট, গেষ্ট ওফ ওনর, স্পেসল গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা স্পেসল গেষ্ট ওইখিবা এস শান্তি দেবীনা হায়খি, ঙসি পাঙথোক্লিবা থৌরম অসি হৌজিক্কী হোংলক্লিবা অইং-অশা অসিগা য়াম্না মরী লৈনবা প্রোগ্রামনি। ঙসি থারিবা উ পান্থী অসি হিংলিব্রা নত্রগা শীরিব্রা হায়বা অসি ঐখোয়না তোইনা য়েংশিনগদবনি। উ পান্থী অসিগী মতেংদগীনি ঐখোয় মীওইবনা হিংলিবসি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরমগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা এল রোসন মৈতৈনা হায়খিবদা, ঙসি ঐখোয়না থারিবা উ শিং অসি দাইরেক্টোরেট ওফ এদুকেসননা য়েংশিনগনি। উ পান্থী অমগী কান্নবা অসি হৌজিক লৈরিবা মীওইশিংনা খঙজিনবা য়াম্না মথৌ তাই হায়খি।

নাকল অমরোমদা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলদসু ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরম মপুং ফানা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা এ আই ওফ স্কুল জেদ ই ও জিরিবাম এ ইমোচৌবা সিংহ, জিরিবাম হায়র সেকন্দেরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল এল রঞ্জিৎকুমার অমদি স্কুল অসিগী সেনিয়র টিচর পি রতন সিংহনা মথং শীৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা স্কুলগী মহৈরোইশিং য়াওনা উ চারা থাখি।

মরকসিদা সি পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, সি পি আইনা মফম কয়াদা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগা মরী লৈননা উ থাবা অমসুং এৱেয়রনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে।

উথাবদা হৌহন্দুনা কান্নবা ফংহনসি হায়বা ৱাখল্লোলগা লোয়ননা থাবনি। চহী চহীগী উ থানবা হোৎনবদা কাইথোক্লিবা শেনফমশিংগী হ্বাইট পেপর পুথোকপা তঙাইফদে। মরী লৈনবা লোইশঙনা উ থাবাগী ৱাখল্লোলগী মহুৎতা উ হৌহনগদবনি হায়বা রোমদা মায় ওনশিনগদবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

অমরোমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু)না শীন্দুনা ঙরাং মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ফাউন্দেসন দে অমদি ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দে গী থৌরম য়ুনিভর্সিটি অসিগী সেন্টিনরি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা এম য়ুগী এদমিনিষ্ট্রেটর জর্নেল সিংহনা চীফ গেষ্ট, দিন ওফ ষ্টুদেন্টস ৱেলফ্যের প্রো. রতন কুমারনা প্রসিদেন্ট, দিন স্কুল ওফ হ্যুমেন এন্দ ইনভাইরনমেন্ট সাইন্স প্রো. আর এ এস কুসৱা অমদি দিন স্কুল ওফ সোসল সাইন্স প্রো. জি পি প্রসাইননা মথং শীৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। ওজাশিং অমদি মহৈরোইশিংনা শরুক য়াদুনা মশা মশাগী দিপার্টমেন্টতা উ চারা থাবগী থৌরমসু পাঙথোকখি। য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পসতসু উ চারা থাখি। জুন ৪দসু করাং চীংদা মুসুগী মেম্বরশিংনা উ চারা ২৫০ রোম থাখি। থৌরমশিং অসি পাঙথোকপদা মতেং পাংলকখিবা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট, এল দি এবুসু থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

মরকসিদা ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চকী সেক্রেটরী ডা. এন অমুলকুমারনা হায়রি মদুদি, ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা ঙরাং ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা ইরিলবুংগী কলিকা এরিয়াদা উ চারা থাখ্রে। সোসাইটি অসিনা ওরেন্টেল লেভেলর এসোসিয়েসন ৱাংখৈ কোংবগা খুৎশম্নদুনা ক্লব অসিগী প্লে গ্রাউন্দগী অকোইবদা উ চারা ১৫০ রোম থাখ্রে।

মরকসিদা ওল মণিপুর বার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ইন চার্জ কে ঐচ ব্রাজিৎনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, অম্বানা শীন্দুনা লম্ফেল কোর্ট কমপ্লেক্সতা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগা মরী লৈননা লিগেল এৱেয়ারনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে। এদভোকেট কে ঐচ ইমোচা অমসুং এদভোকেটএ জ গজিৎনা থৌরমগা মরী লৈননা ৱা ঙাংখি। লোয়ননা উ চারাসু থাখি।

মরকসিদা থাঙ্গা অমুস্না গলর্স এদেদ জুনিয়র হায় স্কুলগী হেদ মাষ্টর এল বিরমনিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, স্কুল অসিগী মহৈরোইশিং অমসুং ওজাশিংনা অইং অশাগী খল কন্নবা পান্দমদা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগা মরী লৈননা স্কুল অসিগী কেম্পসতা উ চারা থাখ্রে। থৌরম অদুদা স্কুল অসিগী ফাউন্দর ওইরিবা হান্নগী মিনিষ্টর হাওবিজম কাংজাম্বা অমসুং লোয়নবী বিনাপানিসু উ চারা থাবা য়াওখি। উ চারা পীরকপগীদমক ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টবুসু থাগৎলি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

অমরোমদা ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিয়েসন মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী সেক্রেটরী ডা. নেলসননা থাদোরকপা চেরোল অমদা এসোসিয়েসন অসিনা শীন্দুনা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা আই এম এ হাউস লম্ফেলগী অকোইবদা উ চারা থাখ্রে হায়রি।

# গ্রিন মণিপুর কেম্পেইন হৌদোক্লগনি ঃ সি এম

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচ এন এস):
গ্রিন মণিপুর, ক্লিন মণিপুরগী কেম্পেইন অথুবদা হৌদোক্লগনি হায়না মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ঙরাং মণিপুর ষ্টেট ফিল্ড দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

দাইরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরনমেন্টনা শীন্দুনা এয়র পোল্যুসন হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনন হায়খি, ইনভাইরনমেন্ট কন্নবগী মীৎয়েংগা লোয়ননা গ্রিন মণিপুর, ক্লিন মণিপুরগী কেম্পেইন অমা লোঞ্চ তৌনবগীদমক কেবিনেট দিসিজন লৌরগনি। চীং অমসুং তমদা উমং য়োকখৎনবগীদমক পায়খৎলকপা থবক থৌরাংশিংদা লৈঙাক্লা পুংক্লিং থৌগৎকনি।

অশংবা এরিয়া কয়াদা হকচাং শাজেল তৌবদা খুদোংচানবা লুপা লাখ ৫ রোম চঙগদবা ওপন জিমনচিংবসু মফম কয়াদা শেমগৎকনি। উমং ৱামং য়োকখৎনবা হোৎনবদা থৌদাং লৌমিন্নবা চঙই। উমং লাইগী উ থাবগী থবক্তসু পুক্লিং থৌগৎপা তাই। হিল এরিয়া কমিতিগা তান্নদুনা মরম চাদনা খুল হোংবনচিংবা কয়াসু য়েংশিনগনি। ইনভাইরনমেন্ট কন্নবগী প্রোগ্রামশিং এদুকেস্নেল ইন্সটিট্যুট অমসুং লৈঙাক্কী ওফিস কমপ্লেক্সশিংদা পাঙথোকপগা লোয়ননা উ চারা থাবগী থবকসু চথুগনি।

কুমজা ২০০৪দা মহাক্লা ফোরেষ্ট মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা গ্রিন ইম্ফাল, ক্লিন ইম্ফাল কেম্পেইন হৌদোক্লমখি। নম্বুল তুরেল শেংবগী থবকসু পায়খৎলমখি। লন্থীগী নাকল অমসুং মেদিয়ানদা পান্থী থাবসু মতম অদুদা হৌদোকখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা ফোরেষ্ট এন ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা হায়খি, উপাল ৱাপাল থাবগী ৱাখল্লোল লৈবা তঙাইফদে। য়ুমগী অকোইবদা উ ৱা থাদ্রবদি ইকায়বা ফাওবগী ৱাখল্লোল লৈবা চঙই। উমং ৱামং কোকথোরকপনা মরম ওইরগা হৌজিক ঈশিং ফংদবগী অৱাবসু মায়োক্নরি। উপাল ৱাপাল য়োকখৎপগী মরু ওইবশিং খঙমিন্নবা তঙাইফদ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা লোক সভাগী এম পি ডা. আর কে রঞ্জন, টুরিজম কোর্পোরেসন মণিপুরগী চেয়ারমেন ডা. এস রঞ্জন, প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জারেটর ওফ ফোরেষ্ট কে অঙ্গামি, ইনভাইরনমেন্ট দাইরেক্টর ডা. ৱাই নবচন্দ্র, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী প্রো. এন রাজমোহনসু শরুক য়াখি। তুংদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, ফোরেষ্ট মিনিষ্টর শ্যামকুমার য়াওবা টিমনা হৈবোক চীংদা চৎতুনা উ চারা থাখি। মসিগী মমাঙদা ঙরাং অয়ুক চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, সি এ এফ এন পি দি মিনিষ্টর করাম শ্যাম য়াওনা সেক্রেদ হার্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুল উখ্রুলদা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগী থৌরম শরুক য়াখিবগা লোয়ননা উ চারা থাখি হায়রি।

# 'বাইওমেদিকেল ৱেষ্ট ট্রিটমেন্ট প্লান্ট শেমগৎলগনি'

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচ এন এস):
কমন বাওইমেদিকেল ৱেষ্ট ট্রিটমেন্ট প্লান্ট অমা লমদেংদা শেমগৎলগনি হায়না মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চেয়ারমেন এল রাধাকিশোরনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দনা শীন্দুনা ঙরাং ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগা মরী লৈননা ট্রিটমেন্ট প্লান্ট অদু শেমগৎকদৌরিবা লমদেং খুনৌগী মফম অদুদা উ চারা থাবগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা এল রাধাকিশোরনা হায়খি, বাইও মেদিকেল ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট নীংথিনা পায়খৎপা হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা অমনি। লমদমসিদা লৈরিবা হোস্পিটালশিংদগী পুথোরক্লিবা বাইও মেদিকেল ৱেষ্টশিং অসি মফম চানা ট্রিটমেন্ট তৌবা চঙই। বাইও মেদিকেল ৱেষ্ট নিংথিনা ট্রিটমেন্ট তৌদ্রবদি অকোইবগী ফিভমদা শোক্লকপা কয়া লাক্কনি।

লুপা ক্রোর ২৬.৩৫ রোম চঙনা লমদেং খুনৌদা কমন বাওইমেদিকেল ৱেষ্ট ট্রিটমেন্ট প্লান্ট অমা শেমগৎনবা থৌরাং তৌরে। মিনিষ্ট্রিদগী অয়াবা লৈরে। মফম অসিগী অকোয়বদা ইকো টুরিজমগী ওইবা কয়া অমসু শেমগৎনবা মীৎয়েং থল্লি। হোস্পিটাল মশিং য়ামখৎলকপগী মতুং ইন্না বাইওমেদিকেল ৱেষ্ট পুথোরক্লিবা কয়া অসি মফম চানা ট্রিটমেন্ট তৌবা তাই। হোস্পিটালশিংনসু চৎনা কাংলোন ঙাক্লা মেদিকেল ৱেষ্টশিং অসিবু ট্রিটমেন্ট তৌনবা হোৎনবা তাই। ষ্টেটসিদা লৈরিবা লৈঙাক্কী অমদি লন্নাইগী হোস্পিটালশিংদা পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী মায়কৈদগী য়েংশিনবগী থবক য়াম্না কন্না চথরক্লি।

মহৌশাগী অকোইবগী খল ঙাক্তুনা থম্বা অমদি পোল্যুসন থোক্তনবা হোৎনবা হায়বসি লমদমসিদা লৈরিবা ঐখোয় খুদিংমক্কী চাওরবা থৌদাংনি অমদি ২১শুবা চহীচা অসিদা ঐখোয়না ইনভাইরনমেন্টকী মরমদা থৌশাদনা লৈবা চুন্লোই। ইনভাইরনমেন্ট কনবদা তঙাইফদনা লৌগদবা থৌদাংশিং অদু লৌমিন্নসি। প্লাষ্টিক ফত্তবশিং খোমগৎপগী থবক চথুবা হৌরে। প্লাষ্টিক ফত্তবশিং নীংথিনা ট্রিটমেন্ট তৌরগা লন্থী শেন্বগী থবক্তা হাপ্পা য়াবগী টেক্নোলোজি লৈ। হৌজিক দিষ্ট্রিক্টশিংদা কলেক্সন সেন্টর ফাওবা থমদুনা প্লাষ্টিক খোমগৎপগী থৌরাং লৌখৎলে। প্লাষ্টিক খোমগৎপা মতমদা কে জি ১দা পীগদবা শেনফমনচিংবসু লেপথোকপা লোইরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা ষ্টেট প্লানিং বোর্দকী দেপ্যুতি চেয়ারমেন এস রাজেনন হায়খি, মহৌশাগী খল ঙাক্তুনা থম্নবা ৱাখল্লোলগা মরী লৈননা ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্টকী থৌরম মফম কয়াদা পাঙথোক্লরি। উপাল-ৱাপাল য়োকখৎপা হায়বসি মহৌশাগী অকোইবগী ফিভম কন্নবা হোৎনরকপদা য়াম্না মরু ওইবা থৌদাং অমা ওইগদৌরিবনি। উপাল-ৱাপাল থাসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা সিজ হোস্পিটালগী মেনেজিং দাইরেক্টর ডা. কে ঐচ পালিন অমদি মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী মেম্বর সেক্রেটরী টি মঙ্গিসু শরুক য়াখি হায়রি।

# দিলরশিপ শোরুম হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচ এন এস):
হ্যুন্দাই কন্সট্রক্সন ইক্বিপমেন্ট ইন্দিয়াগী অনৌবা দিলরশিপ শেরুম অমা ঙসি সগোলবন্দ তেরা লুক্রাম লৈরক মচিনদা হাংদোকখ্রে।

হ্যুন্দাই কন্সট্রক্সন ইক্বিপমেন্ট সেলস সর্ভিস অমদি স্প্যেরগী দিলরশিপ শোরুম ঙসি হ্যুন্দাই কন্সট্রক্সনগী ভাইস প্রসিদেন্ট অনুপ নায়রনা রিবন কক্তুনা হাংদোকখি।

দিলরশিপ শোরুম হাংদোকপগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা হ্যুন্দাই কন্সট্রক্সন ইক্বিপমেন্টকী মখাদা মেনেজিং পার্টনর ওইরিবা কংলৈ কন্সট্রক্সন মেছিন্নরিজকী য়ুম্নাম অনিলকুমারনা ফোঙদোরকপদা ঙসি হাংদোক্লিবা দিলরশিপ ফোর সেলস সর্ভিস অমদি স্প্যের অসিনা হ্যুন্দাই কম্পেনিগী এক্সকাভেটরনচিংবা মেছিনশিংগী সর্ভিসিং তৌবগী খূদোংচাবা লৈরগনি। সেলস অমদি সর্ভিসিংগী খূদোংচাবা লৈগদবা অসিদা পোক্লেন শেম্নিংবশিংনসু মফম অসিদা শেন্বা য়ারগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# পোকপদা ঙাইরিবা অঙাং লংথোকপগী মহুৎতা ক্রেদল পোইন্টতা থম্বীরম্মু ঃ সরদা

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচ এন এস):
কনাগুম্বশিংনা পোকপদা ঙাইরিবা অঙাংবু লংথোকপীবগী মহুৎতা ক্রেদল পোইন্টতা থম্বীরম্মু, অঙাংশিংবু হিংবগী রাইট পীবিরম্মু হায়না দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিট ইম্ফল ৱেষ্টকী প্রোটেক্সন ওফিসর এম সরদানা ঙসি লাঙ্গোল তরুং কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা চাইল্ড প্রোটেক্সনগী এৱেয়রনেস প্রোগ্রামদা ফোঙদোকখ্রে।

দিপার্টমেন্ট ওফ সোসল ৱেলফ্যের, দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিট ইম্ফাল ৱেষ্টনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা এম সরদানা হায়খি, ক্রেদল পোইন্টতা অঙাং থম্লম্বা তারবদি লৌখৎতুনা কনবগী তাঞ্জা লৈগনি। পোইন্ট অসিদা অঙাং থম্লম্বদা খঙনবা সিগনেল য়াওরি। ক্রেদল পোইন্ট অসি হোমদা খিনবা হৌরে। হোস্পিটালদসু খিন্নবা হোৎনরি। কেদল পোইন্টতা অঙাং থম্বা মতমদা কনানা থম্লম্বনো হায়বা খঙলোই। কেমেরানচিংবা খিনবা লৈতে।

পোইন্ট অসিদা থম্লম্বা তারবদি অঙাং অদু লৌখৎতুনা হিংহন্নবা তাঞ্জা অদু ফংগনি। হুন্দোক্লম্বা মীওই মশক খঙলোই। কনাগুম্বা খঙগনি হায়না চিংনবা লৈবা য়াই। অঙাং অদুনা তুংদা লৈবাক্কী শক্লাইরবা ওইরকপা য়াই। অঙাংশিংবু পাৎ কোমদা লংথোকপীগনু। এৱেয়রনেস পীনবগী খোঙজং চঙশিল্লি। অঙাং অমা হুন্দোক্লম্বা মতমদা চঙশিন্দুনা লৌখৎলগা হোস্পিটালদা পুগনি। মেদিকেলগী ওইবা ট্রিটমেন্ট তৌরবা মতুংদা চাইল্ড ৱেলফ্যের কম্মিতিদা পুথোকই।

ষ্টেট এদোপসন এজেন্সি হৌজিক দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরে। এদোপসন এজেন্সিদা অঙাং থমগনি। মমা মপাশিংনা লৌবা লাক্কবা মতম পীগনি। কনাগুম্বা অমত্তনা ক্লেম তৌরক্তবদি কনা অমত্তা লৈত্রবা অঙাংনি হায়না লাউথোক্কনি। অঙাংশিংবু য়োকপীনবা মমা মপা কয়ামুক লৈরি। য়োকচগে হায়বশিংগী লিষ্ট শেমদুনা লৈ। চৎনা কাংলোনগী মতুং ইন্না অঙাংগী মমা মপা ওইনিংবশিংদা পীগনি। ক্রেদল পোইন্টতা অঙাং থম্নবগী এৱেয়রনেস লৈবা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা চাইল্ড ৱেলফ্যের কম্মিতি ইম্ফাল ইষ্টকী চেয়ারপার্সন ইরেংবম বিক্রমজিৎ সিংহ অমসুং চাইল্ড ৱেলফ্যের কম্মিতি ইম্ফাল ৱেষ্টকী চেরপার্সন থিয়াম রাজকিশোরনা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি।

থৌরম অদুদা আই এম সিগী ৱার্দ নম্বর ১গী কোর্পোরেটর জি গাইদোননা চীফ গেষ্ট, দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন ওফিসর ইম্ফল ৱেষ্ট ৱাই ইন্দ্রমনিনা প্রসিদেন্ট ওইখি। আই এম সিগী মেম্বর ঐচ পানমৈ, ৱাই প্রেমিলা অমদি লাঙ্গোল তরুং ভিলেজ ওথোরিটিগী চেয়ারমেন পানমৈ মৈশোনগৌনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

# এম এস টি বস লমথাখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচ এন এস):
মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্ট (এম এস টি) ইম্ফাল-জিরিবাম বস সার্ভিস ঙরাং ট্রান্সপোর্টকী দেপ্যুতি দাইরেক্টর দেবিদ এলাংবমনা এম এস টি কমপ্লেক্স মোইরাংখোমদগী লমথাখ্রে।

লমথাবগী থৌরম অদুদা এম এস টিগী ও এস দি পোলেম লেনিন, দি টি ও ইম্ফাল ৱেষ্ট দিনচন্দ্র অমদি দি টি ও ইম্ফাল ইষ্ট সিমোন কৈশিংসু শরুক য়াখি।

ইম্ফাল-জিরিবাম বস সার্ভিসকীদমক এদভান্স বুকিং, সিট রিজার্বেসনগী খুদোংচাবা এম এস টি কমপ্লেক্স মোইরাংখোমদগী ফংগনি। ইম্ফাল-জিরিগী এম এস টি বসকী অতোংমল পেসেঞ্জর অমদা লুপা ৩৫০নি হায়রি।

# নাৎ কনবদা লাই হরাওবনা থৌদাং লৌরি ঃ খেমচান্দ

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচ এন এস):
নাৎ কনবদা লাই হরাওবনা অচৌবা থৌদাং লৌরি হায়না মণিপুর লেজিসলেটিব এসেম্ব্লীগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা লাইনিংথৌ নোংশাবা হরাও শঙলেন শঙ্গাবগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

লাইনিংথৌ নোংশাবা হরাওবা কম্মিতিনা শীন্দুনা ঙরাং ক্বাকৈথেল হেনৌখোঙনেম্বীদা লৈবা লাইনিংথৌ নোংশাবগী শঙলেনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা স্পিকর ৱাই খেমচান্দনা হায়খি, লাই হরাওবদা নাৎকা মরী লৈনবা কয়া য়াওরি। নাৎ য়োকখৎনবা হোৎনবদা লাই হরাওবনা অচৌবা থৌদাং লৌরিবনি। লাইনিংথৌ নোংশাবগী হরাও শঙলেন্দ অমা শাবা অসি য়াম্না অফবা খোঙথাংনি। হরাও শঙলেন অসিদা লাই হরাওবা অমদি থৌনি থৌরমশিং পাঙথোকপদা খুদোংচারগনি। লাইনিং লাইশোনগা মরী লৈনবা হিরম কয়া শঙলেন অসিদা পাঙথোকপা য়ারগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা এম এল এ সোইবম সুবাসচন্দ্রনা হায়খি, লাইনিংথৌ নোংশাবা হরাও শঙলেন শাবা লোইদুনা ঙসিদি খুৎশিন্নরে। শঙলেন অসিদা লাইনিং লাইশোনগা মরী লৈনবা থবকশিং চথুবা য়ারগনি। মমাঙদা লৈরম্বা শঙলেন অদু য়াম্না ফিভম শোকপনা মরম ওইরগা অনৌবা শঙলেন অসি শাবগী থবক পায়খৎলকখিবনি। নাৎকা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং য়োকখৎনবা হোৎনবদা থৌদাং লৌবা চঙই। নাওরিয়া পাখঙলাকপা এ সিদা লন্থী-থোং য়াওনা শেমগৎ-শাগৎপগী মায়কৈদা লেপ্তুনা চঙশিল্লক্লি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ঙাকপীয়ু ঃ মন্দাকিনি

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচ এন এস):
কছারদা মে ১৮দা পাঙথোকপা খৃষ্টানগী থৌরম অমদা লাইনিং লাইশোনগী মতাংদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং অদুনা অতোপ্পা লাইনিং, ফুরুপশিংদা শোক্কদবা ৱাফম ওইরবদি ঙাকপীয়ু হায়না শৈশকপী তখেল্লম্বম মন্দাকিনিনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা তখেল্লম্বম মন্দাকিনিনা হায়খি, পোকপদগী ইমা ইপানা চাওনবা শেম্লক্লবসু হৌজিক্তি মীয়ামগীনি। হিংলিবা পুন্সি অসি মীয়ামগীদমক্তনি। তাইবঙ মপু হায়বসি মীওইবা খুন্নাইগী য়াইফনবা তৌবা অদুবুনি। মীওইবা খুন্নাইবু মাংহন্নবা তৌবা অদু নত্তে হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুদা কনাগুম্বা ফুরুপকী লাইনিং লাইশোনদা অশোকপা য়াওরগদি ঙাকপীয়ু। অতোপ্পা ফুরুপশিংগী লাইনিং লাইশোনসু ইকায় খুম্নে। লাইনিং লাইশোন অমবু চৈবা নত্তে। অতোপ্পা লাইনিং লাইশোনবু ফত্তে হায়বসু নত্তে। লৈবাক্কী মাংগদবা ৱাদি ঙাংফম থোক্তে। পুন্সিদা থেংনরকপা অশেংবা ৱারী খরা লিরুবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

Delta Advance School
Kwakeithel, Imphal (Opp. Oil Pump near Kwakeithel Bazar)
Co-Educational Hr. Sec. Affiliated to COHSEM
ADMISSION OPEN
Class XI (Science & Arts)
(DAS)
Special Admissions Offer for Limited seats only
2019 COHSEM School Performance
4th Position in Arts
Inspire Awardee in Sc.
100% Pass in Arts
98% Pass in Sc.

Admission Criteria

| | |
|---|---|
| 85% & Above | Free Admission; 2 Years Scholarship (12,000 per annum); Free Tuition Fee; Free Coaching; Book Grant |
| 80% & Above | Free Admission; Free Tuition Fee; Free Coaching; Book Grant |
| 75% & Above | Free Admission; 50% exemption on Coaching; Book Grant |
| 70% & Above | Free Admission; 30% exemption on Coaching; Book Grant |
| 65% & Above | Free Admission; 30% exemption on Coaching |
| 60% & Above | 50% Exemption on Admission; 30% exemption on Coaching |
| 45% & Above | Direct Admission |

The Admission is based on the First come First basis.
HL-B/5402/30/5-19/6

